# নুংঙাইরিবরা হংনীংলকপনিদা!

**মতম মতমগী**

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

হল্লো মিষ্টর কিপজেন, গাংতে, হাওকিপ কমদৌরি নুংঙাইরিবরা? অমুক্তংদি হংনীংবনি, ইচম-চন্না হংনীংবা নত্তে, ফম্মিন্নরগা মখোয়গী বোদি লেংশ্বেজ খঙবা মায়গা-মায়গা ওনশিন্নরগা হংনীংবনি। অদুবু ওইথোক্কদবদি মান্দ্রে, মখোয়গা ঐখোয়গা উনবা য়াগদবা মান্দ্রে। শকমক উন্নদ্রবসু ফোন্দা ওইরবসু হংবদি য়ারম্বনি অদুবু ফোন নম্বরসু অমত্তা লৈত্রে। মরম লৈতনা মরাল লৈতবা মীতৈদা লান্দারকপদগী কুকি হায়বা গ্রুপ অসিগদি ৱারী ফাওবা শানররোই খন্দুনা কুকি ফূরুপকী মীওইশিংগী লৈরম্বা নম্বরশিং লোইনা দিলেট তৌথোকখ্রে। লান হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ নোংমদি তৌথাংনা ফোন তৌরক্তুনা অমুক্তংদি ৱারী শানখি, লানগী মরমদদি নত্তে, মানসু পল্লক্তে ঐনসু হৌরুদে, মতম শাংনা থবক তৌমিন্নরকপগী রিটায়ার্দ তৌরবা মতুংদা কুইনা পাউ ফাওনরুদবগী অৱা-নুংঙাই হংনখিবনি, কোন্না মাগী নুপীনা পায়রকপদদি মহাক্কী থম্মোয়গী অশেংবা ৱাহৈ খরা তাবা ফংখি, মহাক্কী ৱাহৈদা "সার ঐখোয় ৱারে, ৱাখল তাদবা খরনা ঐখোয়বু য়াম্না ৱাহল্লে" হায়রকখি মখাদি তারকখিদ্রে, মহাক্কা থমখিবরা নৎত্রগা তৌথাংনা ককথৎখিবরা অশেংবা খঙদনা ৱারীদো অসুম লোইশিনখ্রে। মখা তানদি ৱারী শানখিদ্রে।

হৌজিক কুকিগী মীওইশিংদা ফোন্দা ওইরবসু নুংঙাইরিবরা হংলুবদা অচুম্বা পাউখুম ফংগদবদি মান্দ্রে। হংবু হংলুরবদি নুংঙাইরিদি শোয়দনা হায়রক্কনি, মদু অচুম্বা পাউখুম ওইগদ্রা? মখোয়বু নুংঙাইরমগদ্রা? থাজদে নুংঙাইরম্লোই, কমদৌনা নুংঙাইদোইনো? মণিপুরগী ষ্টেট কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফালদা ভি আই পি ওইনা তৌনীংবা তৌদুনা মনীং মখা তৌদুনা লৈরম্বা মীওইশিং অদুনা মখোয়না লৈনীংদদুনা চেল্লকখ্রবা চীংনুংদুদা লৈবদা কমদৌনা নুংঙাইগদৌরিবনো? নুংঙাইরম্লোই, নুংঙাইত্রবসু হংবু-হংলুরবদি ৱারে হায়দুনা কপ্পকপদি য়াদবনিনা নুংঙাইরিদি অদুম হায়রক্কনি।

নুংঙাইখ্রে কৈনো মখোয়না ইম্ফালদা পাল্লিঙৈদা মখোয়মুক চাউবা লৈতে। ওল্ড অমসুং ন্যু সেক্রেটেরিএটকী খরা ফজবা, খরা নানবা কা অয়াম্বা মখোয়গী ঙাক্তনি। পর্দার খরা ফজবা খন্নবা চঙফম থোঙদা ফম্বা অনানবা কাশিং অয়াম্বনা মখোয়গীনি। মীতৈনা পায়বা য়াবা পোষ্ট কয়া কোটাদা অয়াম্বনা মখোয়না পায়বনি। থবকসু কানীংবা মতমদা কাগনি, কানীংদ্রগনা তোক্কনি, মখোয়গী মথক্তা য়েংশিনবীনবা লৈতে, য়েংশিনগদবা অদুসু মখোয় মশেন্নি। কয়াদা নুংঙাইরমখ্রবনো? মখোয়না তৌনীংবা তৌবদা থীংবীনবা লৈতে। শেঞ্জা-থুমজা হায়বসি মতমদুদা মখোয়দদি অরোন-অথুপ লৈতে, লৌনীংবা চাং ফোংনা লৌবনি। ৱারেংজরিবনা সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা থেংনখিবা অমতং পাউদমজগে।

নোংমা ইমান্নবা অমনা ঐখোয় অহুমগী প্রমোশনগী ফাইল অদু পন্দুনা লৈরে, সেক্রেটেরিএটতা অমুক্তা চৎমিন্নরুসি হায়রকই, অহুমশুবা অদুদি রিটায়ার্দ তৌগদবা থা অনীখক্তা ঙাইরে হায়দুনা ইন্টরেষ্ট লৌদ্রে। ৱানোম্বসি ঐহাক্কী ওইনদি খ্বাইদগী হৈনদবা, য়েমৌনবা পোৎশক অমনি, মদুমক্না চহী ৩৮গী সর্ভিসতা পীদবা য়াদবগী পীরকপা প্রমোশন অনীখক নত্তনা অতৈ অমত্তা ফংখিদে। মতম অদুদা ফংগদৌরিবা অদুসু দিজিগনেশন খক্তনি, মোনিটরি বেনিফিট লৈতে অদুনা তনবদি তনবনি অদুবু মহাক ঙাওনগে চত্ত-চৎমিন্নরুসি হায়বদগী চৎমিন্নরে।

ফাইল অদু কুকি অমদা লৈরম্মী, ইচম চন্না লৈরম্বা নত্তে, মতম শাংনা নমশিন্দুনা থল্লম্বনি। মাগী থবকসু করিসু লৈবা নত্তে, মথক থোংবদগী এপ্রুভেল লৌরগা ওর্দর থোকপা খক্তনি। ঐগা চৎমিন্নরিবা অদুসু ত্রাইবেলনি মখোয় মশেলনি, ইচম চন্না থাদোরক্কদ্রা খল্লুবনি অদুবু মদু ওইরকখিদে। ওর্দরবুদি ইপন-পন্থদনা থোক্লকখি, কমদৌনা থুনা থোক্লকখিবনো হায়বদুগী অকুপ্পা মরোল ইজররোই। পাবীরিবশিংনা ৱাখলনা শাগৎপীরো, মদুমক অচুম্বা অদুম ওইরনি। মঙোন্দা চঙখিবা ফাইল অমত্তা লেম্না থাদোরক্তে হায়নৈ, চঙখিবগীসু থোরকপগী তৌফম থোকপা তৌরো হেক্তা হায়রকই হায়। ইকায়-ইকি লৈতে, শেল পীরগা ৱানোম্বা অসি তৌফম থোকপনি হায়না খঞ্জবা মীনি হায়নৈ।

কয়াদা নুংঙাইখ্রবনো? (খুদম অমখক পঞ্জরুবগী ৱানি, তাখিবা ময়াম অমা লৈরি, পুশিঞ্জররোই) মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপদা তৌফম থোক্তবা কয়া তৌদুনা তোলোপকী মথক্তা অচৌবা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা তৌনীংবা তৌবদা য়েংশিনবীনবা লৈতবা লমদম অসিদা লৈববু করিগী নুংঙাইরোইদবনো? হৌজিক্তি করি থোক্লে? মরাল লৈতবা মীতৈদা মরম লৈতনা লান্দারুবগী মহয় চপ চানা ফংলেদনা। দিমান্দ তানববু অদুম্না তানবরা? অদুম্না তৌ হায়না ইনশিল্লিবা মীওইশিং অদুবু লুচিংবা কৌবা য়াবরা? মী হাৎলু, মীগী ময়ূম মৈ থাদোকউ হায়না ইনশিল্লগা করিগী লোৎলি? মখোয়গী দিমান্দ অসিবু কনাদনো তাল্লিবসি? লৈঙাক্তরা মীতৈদেরা? মরাল লৈতবা নুপী অঙাং হাৎলগা, য়ূম মৈ থারগা, মখোয়না মেজে রিটি ওইনা খুন্দাবা মফমদগী মীতৈ তাম্থোক্লগা দিমান্দ অদু ফংলগদ্রা? ফংলবরা? তম্পাক্তা কোনুংগুম্না শাবা য়ূমদা নিংথৌগুম্না লৈরম্বা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরু ওইবা ফম কয়া পায়দুনা তৌনীং তৌনীংবতা তৌরম্বা কুকি ফূরুপকী মীওইশিং নুংঙাইরিবরা? মীতৈনা তাল্লুদ্রবসু অল্লাউদ্দিনগী লেম্প থাদোক্তুনা চেনখিবা তাবনি, চেনসু চেনখ্রেদনা তম্পাক্তা কুকি অমত্তা লৈত্রে, মমাঙঙৈগুম্না উমং-ৱামংদা পান, মাইরেল ফুত্তুনা চারগা লেনবা তাবনি। মসিনি মরালগী মতুংইন্না তাইবঙ শেম্বা মপুনা পীবা চৈরাক হায়বদো। ৱাখিনি ৱাবা তাবনি মখোয়না ৱাদনা কনানা ৱাগনি?

লৈঙাক হায়বা পোৎশক অদুগী ৱাহন্থোক লৈত্রবা লমদম অমা ওইবনা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা কুকিশিংবুদি মথৌ তৌবা তৌদবা থাগী তোলোপ কায়দনা ফংলমগনি। মিনিষ্টর অনী য়াওনা এম এল এ ১০দুসু ইম্ফালদা খোঙদারকখিদবা থা ২০ ফাজিল্লক্লবসু, হান্নগুম তৌনীংবা কয়া মনীং তম্না তৌবা ফংদ্রবসু ৱাবমক্তি ৱারম্লোই। মখোয়গা লোয়ননা অচুম-অরান থিদনা লুপা খাওজাউ-খাওজাউ তানশিনখিবা মীওইশিংদুসু নুংঙাইরমগনি মখোয় অয়াম্বনা চীংদবু লৈরম্লোই, ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা সহরশিংদা লৈরমগনি, ফোরেন কন্ত্রিদা লৈখিবা লমদম অসিদা অমুক হল্লক্লরোইদবসু য়াওরমগনি। মখোয় খরদু লৌথোকখ্রগা মশীং য়াল্লবা শূ-নোল্লগা হিংলিবা মীওইশিং অদুদি নুংঙাইরমগদ্রা? মণিপুরগী অচৌবা বিজিনেস হব ওইরম্বা মোরে ঙসিদি খুন্তাক লানশিরে, করবার পুন্নমক চপ লেপ্পগুল্লে। করবার তৌরম্বা, গাড়ী থৌরম্বা, পোৎ চৈ থাংদোক-থাংজিন তৌরম্বদগী হৌরগা হোটেল ফল্লম্বা, য়ূম-দুকান ভারা শান্দোক্লম্বা পুন্নমক্কী ইনকম চপ লেপখ্রে। মীতৈ তাম্থোক্লগা নখোয়খক্তা হিংবা য়াবরা য়েংউ হংনীংলকই।

নুংঙাইরম্লনি হৌজিক্তি, মোরেদগী পুথোরক্লগা ইম্ফালদা য়োল্লম্বা পোৎ চৈশিং তমুদগী পুথোরক্লবসু ইম্ফাল য়ৌবা ঙমদনা মোরেদা তা-তাদুনা লৈরম্লগনি। লম্বী থৎতুনা নম্ফুদা শেল খায়রম্বশিং লোক্তা নূঙ খুনবা নৎত্রগা চীংনুংদা উ ককপা চৎপা তাবনি। ইম্ফালদা মৈতাল য়োনবা লাক্নমবশিং লাকপা ঙমখিদ্রে। পান, মাইরেল অমদি য়োংচাক য়োল্লগা হিংলম্বা কুকিশিং ঙসিদি মখূৎ মশা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা খাঙনরম্লগনি। অসাম রাইফলসনা কৈদৌবীরনি, মখোয়গী মরী মতানি হায়রিবা মিজোরামদা য়োল্লুগদ্রা? হৌখোদনা মীতৈদা, মীতৈনা পীবা দন্দি নত্তে, মশাগী লাংদা থুজবনি। মতাং অসিদনি হাওকিপখোয়, গাংতেখোয়দা নুংঙাইরিবরা হংনীংলক্লিবসি। লান অসিনা মতম খরগা শাংথরবদি মখোয় মশেল চায়নরকপদি শোয়দ্রবনি। মীতৈসু ৱাই অদুবু মখোয়না ৱাবগা খেন্নৈ হায়বনিদা। লান্দা তোংজবা অমত্তা লৈতে, মাঙজবা ঙাক্তনি। থা ২০ মপূং ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা কুকি ৱাখল তারক্তে, খান্নীনবসু লৈত্রবনিনা কুকি তুমদ্রিবা ফাওবদি লান লেপহন্নীংদ্রি। লান পাম্বগী নত্তে, মতম খরা শাংথরবদি মখোয় মশেল লোইশিন্নরকপা হায়বসিমদি শোয়দ্রবনি। ঐখোয়সু ৱাগনি অদুবু হঞ্জিন-হঞ্জিন ৱাগদবগী শরুক ৱারবসু ৱানা মতম খরা খাঙলগা খুয়া তুশিংনা পালহৌসি হায়নীংলকপনিদা। করি হায়বগে? ●

# ঈরৈচা পূন্নমক পূনশিল্লগা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অসি অমুক্তং লৈজবী থাদুনা থক-থক নীকখায়সিবা কৈদৌবগে - (২)

**- দোরেন, খুরাই -**

খোংজোম দে, পেত্রিওটস দে অমসুং লমজিং মৈরা নেতা ইরাবতকী নুমিৎশিংদা লৈবাক নীংবগী পাউতাক কয়া তিং ফূদোক্তুনা খৌ পোঙনা লৈবাক নীংবশিং হৌজিকসু বি জে পি লৈঙাক্কনি অদু-অদানা শোয়বনি হায়দুনা তাইনদুনা অদুম্মক লৈবীদুনা মথং চহীগী ইরাবত দে অমুক ঙাইবিখিগদৌরিব্রা? ঈরৈপাকসিগী ইনিংথৌসু এম পিগী দোলাইদগী চোংথবীরক্তুনা নিংথৌ মচা ওইবগী অশেংবা ঈ চেল্লবদি নিংথৌ অমা ওইবগী থৌনা উৎপীদুনা ইরমদম অমসুং ইরৈচাশিং কন্নবা চোংথোকপীরক্লো কৈদৌবগে।

ভোট লেপ্পা লেপ্তুবা, কাবা-কাদবা পোলিটিক্স তৌবীরিবশিংনা ঈরৈপাক্কী ফীভম্না অসি য়ৌরক্লবা মতম অসি ফাওবদা অনাবা হংবগী ফীভমদা অদুননি-অদাননি হায়দুনা মহৈ-মহৈ তাইশিন্নদুনা নাথৈদুনা তুংগী ভোট খোম্বগী মহুত্তা পূন্নমক থাদোকপীদুনা লান অসিদা চোংথোকপীরক্তুনা পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক লৈহনবীরো। ঈরৈপাক মণিপুরনা লৈত্রবদা কদায়দনো অদোম-অদোম্না পোলিটিক্স তৌরুগদৌরিবসিবু? পোলিটিক্স তৌবীবগী ৱাহন্থোকপু লৈখিগদ্রা?

ঐখোয়গী অমদি তুংগী হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিংগী চরম মেৎপদা নত্তনা তুংগী খোঙ্গুল ফাওবা মূখৎনবা লেপ্তুনা হোৎনরক্লবা মতমসিদা লৈঙাক্কী লোয়শঙ পূন্নমক্তা থবক তৌবীরিবশিংনা থাগী তোলোপ ঙাইদুনা কয়াম কুইনা লৈবীখিগদৌরিবগে? ওইরক্লিবা ঈরৈপাক্কী ফীভম অসিদা লৈঙাক অসিগী থবক তৌরুবগী ৱাহন্থোকপু লৈবীরিব্রনে?

শান্ন-খোৎনবগী অমদি কলা সংস্কৃতিগী লম্দা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াবু থোইদোক-হেনে দাক্লা মতেং পাংলুবগী পৃথিবীদা শক তাকপীরিবা শান্নরোয়শিং অমসুং কলাকারশিং হৌজিক্কী ঈরৈপাক অমসুং ইজাতিগী ফীভম অসি য়ৌরবফাওবদা থৌওইরবীদ্রবদা মখোয়গী সনাগী মেদল লাৎতুনা থল্লুবগী করি ৱাহন্থোকপু লৈরিবগে? মেদল অমসুং শকখঙচে পূন্নমক হন্দোকপীদুনা থোকপীরক্লো।

মৈত্রবাক অসিগী য়ূমথোঙ খুদিংগী ইরৈচা পূন্নমক অমদি ইরমদমসিগীদমক লীংখৎপীরিবা নুপা-নুপীগী লূপ খুদিংমক পোলিটিক্সতগী পোত্থাবীরবা, পোত্থাবীদ্রিবা ইচঙ থৌনা য়াওবীরিবা নেতাশিং, মিংচৎ লৈরবা শান্নরোয় অমসুং কলাকারশিং সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী লোয়শঙ পূন্নমক্তা থবক তৌবীরিবশিংদা নত্তনা প্রাইভেট স্কুল-কোলেজ, বেঙ্ক অমসুং কম্পনিদা থবক তৌবীরিবশিং পূন্নমক তোকথোকপীরগা চোংথোকপীরক্তুনা অমত্তা ওইনা পূনশিনবীদুনা চথরিবা লানবুং অসিদা চোংথবীরক্লো কৈদৌবগে।

খূৎলায় পায়দুনা লাম্হেংনবদি য়াদবনিনা লৈঙাক্কী অমদি অতৈ লোয়শঙশিং পূন্নমক চপ মান্ননা লেপথোক্তুনা বি জে পিগী লৈঙাক অসি চেল্লিবা গাড়ী অমা চপ লেপথোকখিবগুম লেপহন্দুনা য়াম্না মপূং ফাবা হিংসা য়াওদবা গনতন্ত্র ওইবা মওংদা মোদিনা মঙদা ফাওবা মঙদ্রবা পৃথিবীদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মণিপুরগী পুৱারীদা নুপী লানগুম লৈহৌরগদবা লাল্লোং লাঞ্জং অসিনা মোদিগী ঙক কল্লবা লৈঙাক অসি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা চাউরবা পামেলনা খা-রাই খঙদনা কোইহাই হাই, কোয়নোম নোমদুনা খাঙবগুম মীয়াম চঙদুনা অমুক্তদি পেন্না নীকখায়সি কৈদৌবগে ইরৈচাশা। অহল লমন্না হায়নবা শারিঙৈদা য়ৈহৌ হায়বগুম তাঞ্জা অসিদা নীকখায়হৌদনা করম্বা হেন্না ৱাবা অমসুং হেন্না মাঙবা মতম অমমুক ঙাইবিখিগদৌরিবগে ইরৈচাশা !

চোংথোকপীরক্লো - ইজরিবা ইশাসু মীয়ামগী তুং ইঞ্জদুনা মাঙ থানা শিরবসু পূন্সিসিদা ঈরৈপাক্কীদমক্তা মীৎকুপ অমত্তং ওইরবসু হিংলম্মী খন্দুনা পেন্না থৱায় কৎচগে।

**মীয়ামগীনি খঞ্জবা পান্দম :**

১) চীংশাংশিংগী অকোয়বদা অমসুং খুঙ্গংশিংদা লানবন শাদুনা ঙাইহাক লৈতনা মখল কয়াগী খূৎলায় শীজিন্নদুনা মীচম মীয়াম হাৎলিবা কুকিশিংবু খুদক্তা লান্মী থাজিন্দুনা ফাদোক্লগা মফম চাবা য়েংদুনা লান্মীগী কেম্প লৈহনবা।

২) কাঙলোন লান্না চীংশিংদা খুঙ্গং মশীং হেনগৎপা লৌথোকপা অমসুং হেনগৎখিবা দিষ্ট্রিক্ট মশীং মরম চাদ্রবদি ককথৎপা।

৩) বোর্দরদা অসাম রাইফলসকী মহুত্তা বি এস এফ থম্না অমসুং অসাম রাইফলস মণিপুরদগী চৎহনখিবা।

৪) এন আর সী বেজ য়র হান্না য়ানখিবা ১৯৫১দা ওইহনবা।

৫) মণিপুর থুগায়নবা ফোঙনা চোংথোরক্লবা এম এল এ অমসুং মিনিষ্টরশিং লৌথোকপা।

৬) মতম লোইরবা 'সূ' মখা তানা চৎনহন্দবা অমসুং 'সূ' গী কাঙলোন ঙাক্তুবা লালহৌবা কুকিশিং ফাদোক্তুনা কাঙলোনগী মতুংইন্না চৈরাক পীবা অমসুং টেররিজমগী চপ চানা থবক তৌরিবা কুকিগী লূপশিং কাঙলোননা য়াদবা লূপশিংনি হায়না লাউথোকপা।

৭) তং তানা শাফনবা অমসুং য়েক্লবা চঙবা ঙমদনবা মওং অমা থুনা শীনবীদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মতম শাংনা ৱানা খাঙজরক্লবা মীয়াম্বু মশা-মশাগী ইঙ্খোলদা য়ূম শাবীদুনা হঞ্জিলহনবনি।

৮) মীতৈ/মৈতৈশিংবু এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা পুংমুৎ মুৎখিদনবা চৈঙাক পীবীবা। ●

# থেংলবসু লৈনমদুদি নমহৌই -(১)

**- অরিবম শরৎচন্দ্রা শর্ম্মা -**

ওজাগী লাইরিক ফোঙবদা লেঙবীরক্লিবশিংগী চান-থক্লবা লাংজরিবদু চাদনা চৎখিবগী ৱারৌখিবদু ঐ অথুবা অমগী চত্তবা য়াদবদগী চাখিদবনি, মদুগীদমক্তা ঐ লাঞ্জরে ওজা...। পি নঙবু তারকখিগনুবা ওজাগী নীংঙমদবসে অমুক্তদি ইখিগে। ঙসিদি হাঙহৌরবা য়ূমনা তেংথাহৌরি। খোঞ্জেল থোক্না নাওশুম ঈশৈ শক্লগা য়োক্লক্লবসু নমা ঐগী য়ূমসিদা নুংঙাইনা লৈরগা নখোয় চাউরকখিবনিকো, ঙসিদি চৎখ্রে নখোয় লোইনক ইনাক্তগী। নখোয়না থাদোকপীরম্লবা য়ূম ঐগী অৱাবসে নখোয় অমুক্তদি য়েংলকউগবা পারি-ইমোমশা...। নশা-নশাগী কুয়োম্না পুবীখ্রবা থৱায় মীরেনশিংনা ইনাক্তা চঙবদি ঙমদা, কোয়পাই পাইদুনা লৈরিবদো, চঙলকউ লাকও... নমা য়ূম ঐনা থোঙ লাউনা হাংলিয়ে ইচাশা...।

অইবা-অইবী কয়ানা ওজাগী পূন্সি ৱারী, ৱারীমচা ইবগী মরমদা কয়া অমা ইনখ্রে, ঐদি ইজররোই, ঐনা ইজগদৌরিবসিদি ওজাগা ঐগা চহী ১০ মুক লোয়নরম্বদা হায়নখিবা-তম্ন খিবা -ঙাওনখিবশিংদুনি।

ঐজ্ঞাগা ঐগা থেংনবসি খরদি থেংমনখ্রমালে ওজাগী ৱাহৈনি। হয়েংমুক্কী মপোক্তদি হৈপাল অমগী উহৈগুম পানমিন্নসি, লৈপাল অমগী লৈশাৎকুম শাৎমিন্নসিকো ওজা...। অহিংদা শাৎপী থাবল্লেগী লৈনম, নোংঙাল্লমদাইদা কেনবী শিঙ্গারৈগী লৈনমদি তেল্লবসু তেন্না লৈনমদুদি নমজহৌই। ওজানা ইখূৎ পায়দুনা চিংখৎপীখিবদো চীংদোল য়ৌহৌদ্রবসু চীংয়াগী ফজবা নুংশিবা কান্নবা কয়াদি উহনবীরম্মী। ওজাসি ঐখোয়গী লৈকায়দা লুহোংবা লাকপদা খঙনখিবনি। খঙনরবা মতুং ওজাগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং ঐঙোন্দা পীবীরকখি। কোন্না ফোঙবশিংদি ঐ য়াওজখি। ওজাগী লাইরিকশিং ফৌমান য়াওদবা চেঙ মচঙগুম্বা ঙাক্তনি, খোইহি-চুহিগুম তপ-তপ নপখি। অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং নায়দনা মাগা-ঐগা ফোন পায়নৈ, অরৈ-অরৈবা লোইনা লিথোক্লে।

ঐনা ঙাঙবা তারগা ঐজ্ঞাদা সাহিত্যগী মচাক য়াম্না য়াওই, খরা ইবীয়ুবা হায়বীরকপদগী শৈরেং, ৱারীমচা, রেদিও দ্রামা, শুমাং কুম্মৈ খরা-খরা ইজখি। ওজাসে নোক্কনদে হায়নৈ, চিনবান কাথোক্তনা নোক্কল্লি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদে হায়নৈ, ক্বা জর্দা চায়, ঐসু ওজাসু। ফাগিরোয়নি হায়বসিমদি অশেংবনি। ঐনা ক্বা জর্দা চানা-চানা ফোন্দা ৱারী শানরবা, ঐজ্ঞা ক্বা চাবীরিবরা? অহোয় চাজরি, মচেৎ অমত্তা ইল্লকউবা, চাক চারমদাইদা ফোন তৌরক্লবা, করি এঞ্জাংনো? নুমিত্তুগী অথোংবদু তমজগনি। তিন্দুম য়োৎলি খিতং পীরকউবা, শুম্না ওজাগী ফাগি মতেক-মতেক্লা ঐবু য়া কাথোক্লগা নোকহনগনি। ওজনা য়া কাথোক্তনা নোকপগী মখোল থোক্লক্কনি। শুম্না মতম চুপ্পগী কোয়নদবনা ঐনা খ্বাইদগী নুংশিজবা মরুপসি ঐজ্ঞা নঙতনিকো... ওজাগী ৱাহৈনি।

নুংশিবা খঙদবা নোংদম্বা, নঙনা পুবীখ্রে ওজাবু ফৎমনদেদকো নোংদম্বা নঙসে। চৎখিবগীদমক করি অমুক ৱারুগনি, অদুবু থেংলবা অহিংদা নায়তোম খোংবা কোকিলগী খোঞ্জেলদি কনাসু তাদবা ঙল্লোই। ৱাররবা তাইবঙদা লৈনম য়েল্লম্লগা নদোম তূমিন্না চৎখিবদি। লৈনম নমনীংবা কয়া অমা লৈহৌরি খঙনা চৎখিবা ওজা নঙবু ফৎমনদেকো।

নীংশিংলকই তপতাগী ঈশৈ মতেক অমত্তং - উররোইদো কোকিল তাররোয়দো খোঞ্জেলদো পাইরক্লম্বা তোয়না খোংলম্বদো তত্তনা কুহু-কুহু পাইখ্রবনিনা পূন্সিগী নাক্তগী লাপ্পা। ঙসিদি ঈশৈ মতেকসিনা নাকোংসিদা তত্তনা ঙংলরি। ওজাদি নুংঙাইনা চৎখ্রে, ওজাবু নুংশিজবশিংদি পিরাং শিন্থজহৌবা ঙাক্তনি। মীয়ামদা লৈপাল মপূং ফানা উহল্লে, হৈপাল মপূং ফানা পীজরে খন্না চৎখ্রিবদো, লৈপালসু মপূং ফানা য়েংবা পেল্লমখিরোই, হৈপালসু মবুক থন্না চাজরমখিরোই খঙদনা চৎখিবসিমদি সাহিত্যবু পামজবশিংদি পেল্লল্লোইকো।

নোংমদি, য়াওশঙগী হোল্লি নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ৭-৮ অদুৱাইদা ফোন তৌরকখি। ঐজ্ঞা নতৈমদু গোবিন্দদা হোল্লি চৎখি, ঐখোয় খরা হাইথবা লমসিদদি কন্না চৎনরি ফরিবরা ফৎত্রিবা খঙদ্রে। ঐনা, করিগী ফরোয়দৌরিবনো হাইথবা-হাইথদবা লৈতে ঙমদবগীদনি। ইতৈমনা লেঙবীখ্রিবদো কৃপানিনে ওজা... হায়জখি।

অদুগী মতুং নুংথিলগী পুং মরিমুক তাবা অদুৱাইদা ওইরমগদ্রা ফোন অমুক হন্না তৌরকখি। ঐ ওজাগী ফোন তাপ পায়খৎলি! ওজানা, নুংহিক্লবা ৱাহৈদা, ঐজ্ঞা... নতৈমদো লৈত্রে...।

ঐনা হা! করিনো ওজানা হায়বীরিবদুবু? গোবিন্দদগী থোক্লক্লগা ৱাঙ্খৈদা ঈশৈ শকফমদা লৈতবনি হায়, ঐবুসু ফৈজোম হোংদোক্লম্মু হায়রকইনে ঐজ্ঞা...। শুম্না নুমিৎতুগী ওজাগী কায়রবা থম্মোয়গী পাউদম্নি।

লৈখোক্তগী লৈমন চন্দুনা কেনখিগদৌবসু নত্তবা, তনৌরবা শাৎকায়বদা ঙাইরিবী লৈরাংগুম্বসু নত্তবা, নুংশি লৈনম চেল্লীবী অমনা খঙহৌদনা লৈখোক্তগী কেনখ্রবদা করম্বা লৈখোক্লা পিরাং শিন্থরোইদগে। ইতৈমগী শোরাৎ মতুংদসু অমগা অমুক তম্নকখি, নতৈমগী মরী মতানা অহল ওইরবা ঐবু নথন্তা লৈবসি নুংঙাইতে, ঐগী থৌগল তৌনবা অমা থিয়ু হায়রম্মীনে। ওজাদি করি হায়বীখি? কনাগুম্বী অমত্তা হন্না য়েংজররোই, ঐগী লোয়নবী মেম্মনা ঐগী পূন্সিগী খোঙলোয়নি খন্না অদুম লৈজরগে হায়খি। ঐনা থিবু থিগে হায়রবদি ইচানুপাদুনা লৈত্রবা মতুংদা, নতৈমা অমদি মীয়াম্না ফাওবা নচা নুপা অমত্তা লৈতবসি নুংঙাইতে অমা থিয়ু হায়খি, মতমদুদা থিরম্মসু ইচানুপা লৈরম্লবদি হৌজিক চহী ২০মুক শুরনি, পাখঙ ফারনি, মদু পূন্নমক্তো থাদোক্লম্লগা নতৈমগা ঐগা নুংশিননা লৈমিন্নরকখিবনি। অসুম্না মাগী পূন্সি ৱারী ফাওবা পাউদম্বীরমখি। ইঙা, ইঙেন দা তাবা নোংদি মীওইবগী চীঞ্জাক্কীদমক্তনি, ফুইনা হৌরকপা নোংগুম্না লৈমায়থক্তা তারিবা পিরাংসিদি ওজাগীনি, ওজা নঙবু পিনা চোৎলবা লৈমায়থকসিদা অমুক্তদি হৌরকখোগবা...। ওজানা শেম্বীরম্বা সাহিত্যগী লৈকোলসে ঈশিং চাইবীনবা লৈতবগুম্না লোইনা... হিকথরক্কদৌরে। ওজানা পীবিরম্বা ঐগী কলমশিংসিসু ঙসিদি মুকসু য়াওরক্ত্রে, মচিনসু লোইনা পংশিল্লক্লে ওজা...। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪ গী ৱাহং**

১) **"শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ থৌরম শৈরেং"** (নট ঈশৈ), অহানবা শরুক - হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **"নেটৱার্ক ফংদবা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) **"লাহোর উদ্রবা মখোয়দি মীওইপোক নৎত্রবগুম্বনি"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্নি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনাননো?

৪) **"ঙমখৈদদি থৱায়শিংনা**
**অঙাঙবা লৈ ওইনা শাৎলি**
**হেকই অঙাংশিংনা নীংতম্বা নুমিৎতা...॥"**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো?

৫) **"হৌরকফম"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।